# মণিপুর চান্দিগরগী মখূৎতা মায়থীখ্রে, পঞ্জাবনা অহানবা টিম ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে




পুনে, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা পাঙথোক্লিবা ১১শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সিনিয়র মেন্স নেসনল হোক্কী টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম গ্রুপকী অনীশুবা মেটচতা মায়থীবা নংখ্রে। টুর্নামেন্ট অদুদা পঞ্জাবকী টিমনা অহানবা ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

মণিপুরগী টিমনা গ্রুপ ঈদা মখোয়গী অহানবা মেটচতা ত্রিপুরাবু পাঞ্জল ২১-০দা য়াম্না চাওনা মায় পাকখ্রবা মতুং ঙসি শান্নবা গ্রুপ অদুগী অনীশুবা মেটচতা চান্দিগরগী মখূৎতা অকনবা লম্না থেংনরগা শুপ্পগী পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চান্দিগরগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩শুবা ক্বার্টরদা অমন্দিপনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা ওইখিবনি। চান্দিগরগী টিম গ্রুপ ঈদা অনীশুবা ওইনা মায় পাকপা ঙম্লি।

মণিপুরনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা থা অসিগী ১৫দা হোক্কী রাজস্থানবু মায়থীবা পীবগী তঙাইফদবা লৈরি। মরমদি হোক্কী রাজস্থানসু মখোয়গী মমাংদা শান্নখিবা মেটচতা রাজস্থানগী টিম চান্দিগরনা চাওনা পাঞ্জল ১৪-০দা মায়থীবা পীরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা পঞ্জাবনা অন্ধ্র প্রদেশপু পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। হায়রিবা গ্রুপ দিদা অন্দামান এন্দ নিকোবর টিম লাকখিদবদগী পঞ্জাবকী টিম মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। পাঞ্জাবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি রুপিন্দর পাল, লভপ্রিট জেন, রনজোট সিংহ, সুদরসন সিংহ, পরমপ্রিট সিংহ অমসুং সনকপ সিংহনি। মেটচ অদুদা অন্ধ্র প্রদেশকী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ভেনকাটা স্রিনা চনখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা পুল সীগী মেটচ অমদা কর্নাটাকানা পুদুচেরিবু ৪-০দা থোইখি। কর্নাটাকাগী মায়কৈদগী হরিশ মুটাগর, এস দিক্সিট, সমান্ত অমদি পাৰননা চনখিবনি।

পুল অদুমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদা জম্মু অমসুং কাশ্মীরনা অরুনাচল প্রদেশপু পাঞ্জল ১০-৩দা থোইখি। মায় পাকপা ঙমখ্রবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মায়কৈদগী জস্প্রিট সিংহনা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অদুগা করঞ্জিৎ সিংহনা পাঞ্জল ২ লোয়ননা সনিদপ, মনপ্রিট অমসুং হুসেন মহমদনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অরুনাচলগী মায়কৈদগী উচানা পাঞ্জল ১ অদুগা সন্দিপনা পাঞ্জল ২ চনখি।

পুল ঈগী অতোপ্পা মেটচ অমদা রাজস্থাননা ত্রিপুরাবু পাঞ্জল ১৮-০দা থোইখি। রাজস্থানগী মায়কৈদগী বিজেন্দর সিংহনা পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি। টিম অদুমক্কী শিয়ামনা পাঞ্জল ৪, হাসনপ্রিটনা পাঞ্জল ২ লোয়ননা চন্দ্রান্স শর্ম্মা, অখটার কুরেসি, চেতন কালোট অমদি অমিট কুমারনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি।

ঙসি শান্নবা পুল দিগী মেটচ অমদা দেল্লীনা মধ্য প্রদেশপু য়াম্না নক্লবা লম্বাদা পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখি। দেল্লীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি ধীরজ, মহমদ অলতাফ অমসুং ব্রাজ গোপালনি। অদুগা মায়থীখিবা মধ্য প্রদেশকী মায়কৈদগীনা পাঞ্জল ২ চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি রবি রাজভর অমসুং অয়ুশ পেথেনি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ৪নিশুবা নুমীৎকী মেটচশিং শান্নবা লোইশিল্লকপদা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা টিমশিংগী মশক খঙদোকপা গ্রুপ অনী লৈরগনি।

# চিংলেনসনাগী পাঞ্জল য়াওনা হায়দরবাদ এফ সীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু পাঞ্জল ৫-১দা থোইখ্রে







বম্বোলিম, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
ঙসি গোৱাগী সিটি বম্বোলিমদা লৈবা এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাকৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২৮শুবা মেটচতা মণিপুর মচা চিংলেনসনাগী পাঞ্জল য়াওরগা হায়দরবাদ এফ সীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী ঙল্লিঙৈ শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা দিফেন্দর অমা ওইনা শান্নবা ঙল্লিবা চিংলেনসনানা মহাক্কী টিমনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা ফংখিবা বোল অদুবু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি।

অহানবা হাফ অদুগী মখা চথুরকপদা হায়দরবাদ এফ সীনা পাঞ্জল ১ মাঙজিল থারগা মদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু মখোয়না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা এটেক হেন্না চথবা ঙমখিবা হায়দরবাদ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী হাফতা পুশিল্লকপা বোল অমা টিম অদুগী শান্নরোয় বার্থোমেলিয়ুনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মখা তানা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা খূদোংচাবা লৌখি।

য়াম্না কন্না হোৎনখিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা লালদানমাৱি রালটেনা টিম অদুনা শোথখিবা পাঞ্জল ২গী মনুংদা ১ হন্দোকপা ঙম্লগা অহানবা হাফ অদু ১-২দা শোথরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা মখোয়গী মায়কৈদগী অৰেবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা হায়দরবাদ এফ সীগী হাফতা বোল কয়ারক হন্না পুশিনবা ঙমখি। অদুবু হায়দরবাদ এফ সীগী দিফেন্দরশিংনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা পুশিল্লকপা বোলশিং অদুবু পাঞ্জল ওইহন্দবা ঙমদুনা লৈখি। মরক অদুদা হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা বার্থোমেলিয়ুনা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিল্লগা মেটচ অদু মখোয়না মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিনবা ঙমখি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদা থৌনা লিংজেল হন্থবগুম লৈরকপা অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থাবা ঙল্লবা হায়দরবাদ এফ সীগী অনিকেট জাধবনা শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু হাপচিল্লগা মেটচ অদুদগী মখোয়না পোইন্ট ৩ ফংলগনি হায়বগী থাজবা অদু মপুং ফানা থমখি। ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা হায়দরবাদকী জেভিয়রনা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা ৫-১দা থোইদুনা লীগ অসিগী ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

# মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী মীখল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):
মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী কুমজা ২০২১দগীনা ২০২৪ ফাওবগী থৌ পুগদবা মেম্বরশিং খন্নবগী মীখল রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজগী অয়াবগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৮গী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা মপান কাংজৈবুংদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হায়রিবা মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী মীখল অদুদা উরিপোক খোইস্নাম লৈকাইদগী তায়েঞ্জম বিরেন অমসুং উরিপোক হুইদ্রোম লৈকাইদগী সাইখোম সোমোরেন্দ্রোনা মথংশিংনা রিটর্নিং ওফিসর অমদি এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসর ওইগনি হায়রি।

ঙসি এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুর চেছ এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌরবা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংগী মায়কৈদগী মীহুৎ ২/২ থারক্তুনা মীখল অসিদা শরুক য়াগদবনি হায়রি।

মীখল অসিদা খনগদৌরিবা এসোসিএসনগী ফমশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা ফম ১, ভাইস প্রসিদেন্টতা ফম ৪, সেক্রেটরিদা ফম ১, ট্রেজররদা ফম ১ অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরিগী ফমদা মীওই ৪ খনগনি হায়না ঙসি এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি ওইরিবা থোঙাম নবচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

এসোসিএসন অসিগী চেরোল অসিগী মতুংইন্না চহী অসিগী নভেম্বর ৬তা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজগী নোটিফিকেসন নম্বর ৩০৪২/এম/ এস আর/৮০গী মতুংইন্না মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী অনৌবা থৌ পুগদবা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং অদু খনগদৌরিবনি হায়না মখা তারি।

# এ আই বি এবু আই বি এ হায়না খঙনরগনি

লোজেন, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
স্বিটজরলেন্দগী সিটি লোজেনদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (এ আই বি এ) এক্সট্রা ওর্দিনরি কোঙ্গ্রেসনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না এ আই বি এ হায়না খঙনরম্বা লূপ অসি আই বি এ (ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন) হায়না খঙনরগনি হায়খ্রে।

আই বি এগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী ফেদরেসন ১০৭না ঙসি পাঙথোকখিবা এক্সট্রা ওর্দিনরি কোঙ্গ্রেস অদুদা শরুক য়াদুনা এ আই বি এগী ৭৫রক শুবা কুমওন অদুদা প্রসিদেন্ট ওইরিবা উমর ক্রেমলেফনা ফোঙদোকখিবদা, মিংথোল ওন্থোক্তুনা অনৌবা খোঙথাংদা তোঙান-তোঙানবা নেসনল ফেদরেসনশিংগী মতেংগা লোয়ননা মহাক্না মখা তানা প্রসিদেন্ট ওইদুনা চাউখৎ খোঙথাং লৈহল্লসি হায়খি।

# বোদি বিল্ডর য়ুম্নাম লুৱাংবা মীতৈ তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৫৯শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০২১দা কিলোগ্রাম ৭০গী কেটগোরিদা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা অদুগা ওভরওল কম্পিটিসনদদনা অহুমশুবা পোজিসন তারকখ্রবা য়ুম্নাম লুৱাংবা মীতৈবু মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট জেনরেল এসেমব্লি মীখলদা শীংজমৈ এ সীগী এন পি পিগী কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা ওইনাম রোমেননা তরাম্না ওকখ্রে।

নেসনল পীপলস য়ুঠ ফ্রন্ট শীংজমৈ ব্লোকনা শীন্দুনা য়ুম্নাম লৈকাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়ুম্নাম লুৱাংববু ওইনাম রোমেননা ওকখিবনি। ওইনাম রোমেননা ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ুম্নাম লুৱাংবা মীতৈদা মতেং ওইনা লুপা লিশিং ১০ পাংখি। লোয়ননা অতোপ্পা রিসেপ্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা উপেন্দ্র, ইবোয়াইমা অমসুং দিগবিজয়সু লুপা লিশিং ৫/৫গী মতেং পীখি।

# মণিপুর রন ১৩৩দা শোথদুনা লৈরি

ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
বি সী সী আইগী মীৎয়েং মখাদা ওরিষ্যাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কে আই আই টি ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নবা নুপাগী চহী ১৯ মখাগী কুশ বিহার ট্রোফি ২০২১-২২গী ঙসি অহৌবা নুমীৎতা মণিপুরগী টিম অরুনাচল প্রদেশকা শান্নবদা রন ১৩৩ শোথদুনা লৈরি।

মেটচ অদুগী টোস অরুনাচল প্রদেশনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকপদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৯৭ লৌখি। টিম অদুগী অমর্জিৎ শর্ম্মা অমসুং কেপ্টেন লেক্কি সেরিংনা মথংশিংনা রন ৫৬ অমসুং ৫৫ লৌখি।

মদুগী পাউখুমদা মণিপুরগী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা শুপ্পগী রন ৭৮দা বেটসমেন ১০মক আউট ওইখি। মখা তানা মণিপুরনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস হৌরকপদা রন ১৪ লৌরগা ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবদা পূন্না রন ১৩৩ শোথদুনা লৈরি।

# এইম অমসুং ক্লাসা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):
লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এইম খাবম অমসুং ক্লাসা এফ সী কৈনৌ মখোয়-মখোয়গী মেটচ মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৮শুবা মেটচ অদুদা নাকো নম্বুল মপান অমসুং এ আই এম খাবম লম্বা তৌনখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা নাকোগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ২৪ ঙমগৌলমনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা এইমগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৪ এল লময়ানবনা শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু লম্বা অমুক মান্নরকখি। মখা চথুরকপা শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা এইমগী জর্সি নম্বর ১৮ বিকাশ য়ুম্নামনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মখোয়না নাকোবু ২-১দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা নুংথিলগী মেটচ অমদা দি এম রাও অৱাং সেকমাই অমসুং ক্লাসা এফ সী কৈনৌ লম্বা তৌনখি। মেটচ অদু ক্লাসা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা হৌবদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা খূদুম চনখি। ১৪শুবা মিনটতা ক্লাসাগী জর্সি নম্বর ৫ বিনাতোননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা দি এম রাওবু মাঙজিল থাখি। মখা তারকপা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ মাঙজিল থারবা ক্লাসাগী জর্সি নম্বর ১২ রোমেশনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি। দি এম রাওনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ মেটচকী ইঞ্জুরি টাইমদা ক্লাসাগী জর্সি নম্বর ১৮ লুনমিনলেননা পাঞ্জল ১ চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

# ৱিন্নর্স কপকী ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১৫দগী হোম এন্দ অৱে বেসিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫শুবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিয়ল ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন্স ২০২১-২২দা ওফিসিএট তৌগদবা ওফিসলশিং অম্ফাগী মায়কৈদগী খল্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মেটচ কমিস্নর ওইনা নোংদ্রেনখোম্বা, রানী দাস, রামেশ্বর অমসুং জোনি চোথেনি। রেফরি এসেসরদা ইবোহল মৈতৈ, এল তরুন, এম মাঘো অমসুং আই জয়কুমারনি।

রেফরিদা রঞ্জিৎ, হেমন্ত, রঘু, প্রেমজিৎ, অজিৎ, সেমসন, তুনেশ্বর, অঙৌসনা, বিজেন অমসুং অমির খাননি। অদুগা এসিষ্টেন্ট রেফরিদা কিরনজিৎ, ওনিল, গোকুলানন্দ, অমর্জিৎ, রাজা, অশানন্দ, রঞ্জন, পর্সুরাম, অনাস, রোজিৎ অমসুং সনাতোম্বনি।

# ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফেন্সিংগী ওইনা এম য়ুগী নুপা অমসুং নুপীগী ফেন্সিং টিম খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):
মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদা পঞ্জাবকী অমৃতসরদা লৈবা গুরু নানক দেব য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফেন্সিং (মেন এন্দ ৱিমেন) চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা নুপা অমসুং নুপীগী ফেন্সরশিং খনখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ওইরিবা ডা. সী ঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ডা. কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ট্রায়ল সেলেক্সনদা ফেন্সরশিং অদু খনখিবনি হায়রি।

নুপাগী ইপিদা অর্বিন্দ কুমার (বিরমঙ্গোল কোলেজ), এন এন্থোনি (কে পি কোলেজ), গ্রিভাল (ৱেষ্টর্ন কোলেজ) অমসুং জি বিবিয়েক কুমার (ষ্টেন্দর্দ কোলেজ) অদুগা রিজর্ভতা কে বিভেক (ষ্টেন্দর্দ কোলেজ)নি। নুপাগী ফোইলদা বেনিশ (বিরমঙ্গোল কোলেজ), কে ঐচ থোকঙান (ষ্টেন্দর্দ কোলেজ), খাইঙম কে ঐচ (এম য়ু) অমসুং থোমাস (প্রভাবতি কোলেজ) অদুগা রিজর্ভতা টেজকুমার (ষ্টেন্দর্দ কোলেজ)নি।

নুপাগী সেভরদা চীঙ্খোঙানবা (মণিপুর কোলেজ), চীঙ্খোহুনবা (এম য়ু), এল চীঙ্খোঙানবা (বিরমঙ্গোল কোলেজ) অমসুং তোম্পোক (প্রভাবতি কোলেজ) লোয়ননা রিজর্ভতা সেলিচান্দ (এন বি কোলেজ)নি।


নুপীগী ইপি কাঙলূপ্তা এস চীঙ্খোঙানবী (এম য়ু), লিন্থোই হাওবম (এম য়ু), এন পিঙ্কি (ককচীং খুনৌ কোলেজ) অমসুং কে নোমিতা (ষ্টেন্দর্দ কোলেজ) লোয়ননা রিজর্ভতা এ মালেমঙানবী (মণিপুর কোলেজ)নি।

নুপীগী ফোইলদা এন মিনা (কে পি কোলেজ), পি ঐচ অনিতা চনু (বিরমঙ্গোল কোলেজ), জি প্রিয়ালক্সমী (ওরিয়েন্টেল কোলেজ) অমসুং খুম্বুরানী লাইশ্রম (বিরমঙ্গোল কোলেজ) অদুগা রিজর্ভতা দয়ারানী নিংথৌজম (বিরমঙ্গোল কোলেজ)নি।

নুপীগী সেভরদা অবেসনা কোন্সম (ষ্টেন্দর্দ কোলেজ), এল অম্বিকা চনু (মণিপুর কোলেজ), পি ঐচ বেবী (মোদর্ন কোলেজ) অদুগা চাওবা নিংঙোম্বম (কে পি কোলেজ)নি। রিজর্ভতা ঈ সোনিয়া (টি ঐচ পোল কোলেজ)নি।

খনগৎলবা ফেন্সরশিং অসিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডা. কমল ইন্দোর হোলদা মখা তাবা কোচিং অমদি ইলিজিবিলিটিনচিংবা লোইশিন্নবগীদমক থা অসিগী ১৬কী অয়ূক পুং ১১দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি। হায়রিবা শান্নরোয়শিং খনবগী থবক অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিন ওফ ষ্টুদেন্ট ৱেলফেয়রগা তান্নরবা মতুংদা চথখিবনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 318**

Nepomniachtchi,I (2792) - Korobov,A (2683)
GCT Rapid Croatia 2021 Zagreb CRO (1), 2021.07.07

1.e4 e6 2.d4 d5 3.Nc3 Nf6 4.e5 Nfd7 5.f4 c5
6.Nf3 Nc6 7.Be3 Be7 8.Qd2 O-O 9.Bd3 c4 10.Bf1 b5
11.Ne2 f5 12.h3 b4 13.c3 Rb8 14.g4 bxc3 15.bxc3 Ba3
16.Bg2 Rb2 17.Qd1 Qa5 18.O-O Nb6 19.Bd2 Bd7 20.gxf5 Rxf5
21.Ng3 Rf8 22.Ng5 h6 23.Nxe6 Bxe6 24.f5 Nxd4 25.fxe6 Rxf1+
26.Nxf1 Nxe6 27.Qg4 Kf7 28.Kh1 Ke7 29.Be1 Qb5 30.Rd1 d4
31.Ng3 d3 32.Nf5+ Kf7 33.Bh4 Rxg2 34. ...

**QUESTION :**
White to Win

**Puzzle 317 Ans. :**
38. ...Kf8 39. Rcc7 e5 40. Rxe5 Rb2 41.h4
41. Rc1 Rb6 42. Be7+ Intermediate check Ke8 43. Bc5+ With a discovered check by the white rook. Re6 44. Rxd5
41. ...Bxf3 42. Rg5 Rb1+ 43. Kh2
43. Kf2 Ra2+ 44. Kg3 Bb7 45. Be7+ Ke8 46.Rg8#
43. ...Be4 44.Be7+
44. Rxh5 Ke8 45.Rh8#
44. ...Ke8 45.Rg8#
39. Rcc7 e5 40. Rxe5 Rb2 41.Rc1
1-0

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION cum REVISION COURSE for
CLASS - X, XI & XII Sc. (COHSEM)
Class commencement : 6th December 2021 (Time : 4:00 pm - 7:30 pm)
Warmly Welcome HSLCE 2020 Position Holders & Received Book Grant.




Special features : ➡ Chapterwise Test Series. ➡ We provide printed probable questions and answers. ➡ Hostel for Boys &Girls. ➡ Van Service available
Form available at 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol Opp. Tiddim Ground
For more details pllz. contact #8413855751 / 9862712287
HL-P/0799/1-15/12

PENSION LOAN
☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।
☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোয়নবীগদবনি।
Please Contact : M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774041523
HL-B/7200/7/10-2/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com